# মরম চাদনা লাকখিবা থৌওংনা ঐবু ক্রুশুগী মশক নাইবা প্লেয়র ওইহল্লকখি ঃ এম বীমোলজিৎ

স্পোর্টসতা মীৎয়েং অমা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



এম বীমোলজিৎ
অর্জুন এৱার্দি (ক্রুশু)




*১১ শুবা ৱর্ল্ড ক্রুশু চেম্পিয়ননিশপ ২০১১ দা এম বীমোলজিৎ*

হান্নগী মখা...

অরুনাচল প্রদেশতা প্রেমকুমার (সাই কোচ) ঐখোয়নীনা হাংখিবা মার্সেল আর্টসকী ইন্সটিট্যুট অদুগী মমিংদু 'সাওলিন কুংফু ট্রেনিং সেন্তর' হায়না থোল্লি। মৈতৈগী থাঙ-তা, ফুন-কাঙলোন কয়াসু কুপ্না খঙলগা চৎখিবা ওইবনা অঙাংশিংদা ঐখোয় ফজনা তন্বীবসু ঙমখি। এক্সন, এক্টিংগসি মতাং চানা চানা হাপ্লগা তন্বীখিবা ওইবনা অঙাংগী মশীংসু জর-জর হেঙ্গৎলকখি। মফম চাবা কোয়থি থিরুরবা মতুংদা কোন্নথংদা ঐখোয়না লৈখিবসি নহারগুনগী বজার ময়াদা লৈবা সাই ষ্টেদিয়মগী হেক ওপোজিটতনি। অহানবদা ঐখোয়না টার্গেট তৌরম্বা মফমদি অরুনাচল প্রদেশকী রোয়িং হায়বা মফমদুদনি। অদুবু মফমদুদি অতোপ্পা ষ্টেটতগী পংচঙদা চঙবা য়াবা য়াদবা, অথিংবা খরা লৈরমখি। ঐখোয়না মার্সেল আর্টসকী স্কুল হাংগনি হায়দুনা য়ূম থাদোরকখিবদু তশেংবদি পৈশা দরকার লৈবগীনি। শান্নবা হায়বসি শেল চঙই, শান্নবদা য়াম্না হৈরবসু টুর্নামেন্ট য়াওননবা দরকার ওইবা শেল লৈত্রবদি শরুক য়াবা ঙমদে। পৈশাসু তানবা, অঙাংসু তন্বীবা, ইশাসু শান্নবা হায়রিবা ৱাখল্লোনসিদা ঐখোয় য়ূম থাদোরকখিবনি।

নহারগুন্দা চাং নাইনা অয়ূক অমসুং নুংথিল ক্লাস তৌরকপদগী অঙাং মশীং ৫০ রোম শুরকখি। থা অমগী ফি লুপা চামা য়াংখৈ (অঙাং অমমমগী) লৌদুনা তন্বীরকপদগী ঐখোয়নীসু হিংবা কাবক-কাবক নুংঙাইরকখি। মতম খরা পূন্না তৌমিন্নরল্লগা, ঐগী ওইবা সেন্তর অমা অরুনাচলগী চন্দনগর হায়বা মফমদুদা অমুক হাংদোরকখি। ঐনা হাংলিবা সেন্তর অদুদসু অঙাং চামা ময়া য়ৌরকখি। শান্নবা তন্বীবসু ইভেন্ট ময়াম অমা ফজনা তন্বীরকখি।

মতমদুদা অরুনাচল প্রদেশকী ওইনদি ক্রুশুগী সিচুয়েশন্নচিংবসু ফজনা লৈবা নৎত্রি। অদুবু ইশাসিদা শান্ননিংবা ৱাখল অমদি লৈবনিনা অঙাং খরা পুরগা ঐগা প্রেমকুমারগসু কোচ কম প্লেয়র ওইনা শরুক য়াবা হৌরকখি। অহানবা নেসনেল শরুক য়াবা চৎখিবসিদা অঙকপা থৌদোক খরসু থোকখি। ঐনা টুর্নামেন্ট শান্নবা য়াওগে খল্লুরিবদুদি অঙাংশিংদুগী ইন্টরেষ্ট লৈনবনি। কুমজা ২০০৪ গী সেপ্টেম্বর থাদা তৌখিবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ অদুদা মাইপাকপশিং ম্যান্মারদা তৌগদবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা থাগনি হায়বা ৱাফম অমসু লৈরমখি। ঐগীদি ইচম চম্না চঙশিল্লুবনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শোইদনা গোল্ড লৌগনি হায়না পান্নরম্বা প্লেয়রসু অদুম লৈরম্মী। মণিপুরদগী আসাম রাইফলসতা থবক তৌরগা লৈবা শান্তিকুমার কৌবা অমগা, দেল্লি মচা রাজেন্দর সিংহ মীনা কৌবা অমগা গোল্ড লৌবা অমনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ চৎকনি হায়না লৈনরম্মী। শান্তিকুমারদি ঐগা পুল পুনে দ। রাজেন্দরগা ঐগদি পুল অমত্তনি। মদুদা ঐনা থোকখিবসি কেজি ৬৫ মখাগীনি। অরুনাচলদা মার্সেল আর্টসকী ওজা ওইনা লৈজরগসু শান্নরোয় ওইনা থোরক্লগদি ইশাগী ওইনা মীনা লাকচবা য়াদবা মীহুন অমসু লৈজবনিনা শান্নবা হেক হৌবগা মেন-মান তাদবীদা বক-বক য়াম্না ফর্ষ্ট ওইনা শান্নবদগী নোক আউটতা ঐনা ঙমদুনা ৱিন্নর ওইরে হায়দুনা খূৎ থাঙ্গৎতুনা লাউথোরকখি। মদুগী থৌদোক্তু ফেদরেশন কাঙবুদদি অঙকপা অমা ওইহনখি। ইখঙ খঙহৌদনা ঐনা ফৎ থোরক্লগা ৱিন্নর ওইখিবসি মখোয় কনানসু অপেনবা ওইখিদে। শান্নখিবা প্লে অদু হয়েং অমুক হনগনি হায়রকখি। তৌরিবা থৌওংদু ঐহাক খরদি নুংঙাইখিদে। মদুদা থম্মোয়সু খরা শোকখি। ঐসু থোক্লগা অদুম খুমখি ঐদি হৌজিক হৌজিকমকসি অরুনাচল প্রদেশতা মার্সেল আর্টসকী মাষ্টর ওইনা লৈজবনি। মেদলগী খল্লগা শান্নজবসু নৎচদে। ঐগী প্লেয়রশিং অসিগী পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা শান্নজবনি। করি মরমগী রি-প্লে তৌগদৌরিবনো? ৱিন্নর ওইরে হায়না খূৎ থাঙ্গৎখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না শান্নগনি হায়বসি মরম চাদে, শান্নবা ঙল্লোই হায়দুনা কন্না য়েৎখি।

দেল্লিগুম্বা ফেদরেশন পায়বা কাঙবু খরনদি ঐঙোন্দা শাউখি। অদুগা অতৈ অতোপ্পা ষ্টেট খরনদি ঐনা তৌরিবদু চুম্মী হায়না ঐগী মীচংদা লৈখি। মমৈদা ওজা খরনা থেল্লকপদগী ঐহাক অমুক হন্না নোংঙানবগা শান্নখি। মদুসু জুরি মরি ফম্বদা দেল্লি মচা অহুম য়াওরমদুনা ঐনা ফুৱবসু নমদুনা ঐবু মায়থীহনখি। মতাংদুদা ঐনা অমুক হায়খি, ঙরাংদগী শান্নরকপসিদা ঐনা অমুক থোইখ্রে, মানা অমুক থোইরে, থার্দ প্লে ওইনা অরোইবসিদা অমুক্তংদি ফাইট তৌনহনবীয়ু। মতমদুদা ঐনা হায়জবদু কনামত্তনা তাবীখিদে। থৱায় নুংঙাইতনা নীংবা কায়না থম্মোয়দা শিংনরগা ঐ হল্লকখি।

মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা কুমজা ২০০৪ গী ওক্তোবর থাদা শুপ্নগী থা অমগী মতুংদা হিমাচলগী মন্দিদা তৌখিবা "ফার্ষ্ট ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেশন নেসনেল ক্রুশু চেম্পিয়নশি" তা ঐহাক কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াবা লাকখি। মতমদুদদি ঐহাক অঙাংশিং তন্বীবগী ৱাখলগা চঙদ্রে।

ওফিসিয়েল লাইন রোমদগা চৎত্রে। প্লেয়র অমা ওইনা দেল্লি মচাদু অমুক্তংদি ফুথরগে লেপ্লে। প্রেক্টিশসু অঙকপা ফংনা তৌরে। লাকচখিবা মানবা খরা লৈখিবদুনা ঐঙোন্দদি য়াম্নসু নুংঙাইহন্দ্রে। ফজনা শেম শারগা প্রেমকুমার ঐখোয়নি চেম্পিয়নশিপ্তু য়াওবা লাকখি। দেল্লি মচাদু লাকপ্রা হায়না কোয়থি থিবনি। মাগা ঐগা শান্নবসিদা নোক আউটতা মহাক মখূৎ শুকহন হনবা ঙমদনা মঙক্তু কেনগে তৌবনি। মাগী কোচতুনা য়াম্না পাখৎনা এম্বুলেন্সতা হাপ্লগা হোস্পিটালদা পুখিবনি।

-মথং-মথং

## সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ২৮ ঃ

অৱাং খুনৌ য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএশন (এ ৱাই দি এ) অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়না শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিজেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি নোংনা মরম ওইদুনা অয়ূক্তা শান্নগদবা মেচ য়ৈথোকখ্রে।


তোঙান তোঙানবা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচ অনীদা এ সি কে কোদোমপোকপী মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদনা লকি ষ্টার অচানবীগৈ ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি নুংথিলগী অহানবা মেচ ওইনা লকি ষ্টার অচানবীগৈ অমসুং টি ৱাই সি টোপ মখা লৈকায় অনীনা শান্নগদবা মেচতা টি ৱাই সি টোপ মখা লৈকায় লাক্তবদগী লকি ষ্টার অচানবীগৈনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা নুংথিলগী অনীশুবা মেচতা এস সি কে কোদোমপোকপীনা পি টি আর সি পাৎশোই গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এস সি কে কোদোমপোকপীগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকপনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা গোল মথং মথং চনশিনখি।

অদুম ওইনমক মেচ মায়থীহৌরবা পি টি আর সিগী শান্নরোয়শিংনসু লৈজবী মথৌনা ফুদোক্তুনা য়াম্না কন্না শান্নখি। এস সি কে কোদোমপোকপীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মীকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকপনা মেচকী ৯ শুবা মিনিটতা টি হেমজিৎনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি।

এস সি কে কোদোমপোকপীনা গোল একাউন্ট হেক হাংদোকখিবগা গোল শোথরিবা পি টি আর সি পাৎশোইগী শান্নরোয়শিংনা গোল হনে দাক্লবা শান্নরকখি অদুবু এস সি কে কোদোমপোকপীগী শান্নরোয়শিংনা তপ্না তপ্না লাকশিল্লকপনা টিমদুগী শান্নরোয় ও দোনাললনা গোল অনী মেচকী ২১ অমসুং ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা ও অনোল্ডনা গোল অমা মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি। গোল শোথরিবা পি টি আর সি পাৎশোইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এল রেগান্না মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা চনখি।



HL-B/3006/9,15,21,29,4

# ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন প্লেয়র মৈরাবা লুৱাংদা য়ুনাকো গ্রুপনা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ ঃ লৈবাক অসিগী ওইনা বেদমিন্টন মশান্নদা অচৌবা আশা লৈবদা নত্তনা মণিপুরগী তোমথিন ঙাল্লিবা বেদমিন্টন শান্নরোয় মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংদা য়ুনাকো গ্রুপনা লুপা লাক্ষ ৩ গী শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে।

হৌখিবা তাং ২৫ দা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশনগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা য়ুনাকো গ্রুপসকী দিপুটি জেনরেল মেনেজর পেবম রাকেসনা য়ুনাকো গ্রুপকী মহুৎ শিন্দুনা শেলগী তেংবাঙ অদু পীখিবনি।

য়ুনাকো গ্রুপসনা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংগী তুংগী কেরিয়রদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইননবগীদমক পীখিবা লাক্ষ ৩ গী শেলগী তেংবাঙ অসি চহী খুদিংগী লুপা লাক্ষ ১/১ পীগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুনাকো গ্রুপসকী দিপুটি জেনরেল মেনেজর পেবম রাকেসনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাকো গ্রুপসনা অফবা শান্নরোয় কয়াবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা অঙম্বা মতেং কয়া পীদুনা লাক্লি। লমদমসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ কয়া পুরকখ্রবা ইন্টরনেসনেল প্লেয়র মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা তেংবাঙ অসি পীবনি। মখা তানসু য়ুনাকো গ্রুপসনা লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা অফবা শান্নরোয় কয়াবু পূক্নিং থৌগৎখিগনি।

নীংশিংবা য়াই, মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং এপ্রিল ৬ তগী ১০ ফাওবা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা বি দি এ য়ুঠ ইন্টরনেসনেল ওপন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুনবগীদমক এপ্রিল ৩ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসি হেক লোইরবা মতুং বেঙ্কোক্তা লৈবা বন্থোং য়ুঠ বেদমিন্টন স্কুল অমদি মালেসিয়াদা মে ৩০ ফাওবা মখা তানা লৈথদুনা বেদমিন্টনগী ট্রেনিং তৌগনি হায়রি।

থৌরম অদুদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজম, মৈরাবা লুৱাংগী অপোকপা রোমেস লুৱাং লোয়ননা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশনগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।



## মেগা মরাথোন্দা শরুক য়াগদবা লমজেল্লোইশিংনা লিৎকদবা ফুরিৎ লোঞ্চ তৌখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ২৮ ঃ

ইরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক তিঞ্জং কাইজংদবা, মশা মউ ফবা, মতিক মথৌনা লৈবা মীওই অমমম ওইহন্নবা অমসুং মশা মউ ফবা খুন্নাই ওইহন্ননবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা শিন্দুনা এপ্রিল ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা মেগা মরাথোন মণিপুর ২০১৬ তা শরুক য়াগদবা লমজেল্লোইশিংনা লিৎকদবা ফুরিৎ ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল য়ু পি এফকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা লমজেল্লোইশিংগী ফুরিৎ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ু পি এফকী মায়কৈদগী মেগা মরাথোন অসিবু মপুং ফানা পাঙথোকপদা মীয়াম্না মতেং পাঙবিয়ু। মমাঙথক্তা পাঙথোখিবা মেগা মরাথোনশিংদা মীয়াম্না মতেং পাঙখিবা অদুগুম্না হন্দকসু পাঙবিদুনা মেগা মরাথোন অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু হায়রি।

রন ফোর য়োর নেসন হায়বা থিমদা য়ূম্ফম ওইরগা হৌখিবা কুমজা ২০০৭ তগী মণিপুর অমেচর এঠলেটিক এসোসিএশনগী লমজিং মখাদা মেগা মরাথোন মণিপুর হায়না মিংথোন্দুনা লমশাং লমজেল (মরাথোন রেস) পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

কুমসি চহীগী ওইনা এপ্রিল ৩ দা মেন'স ওপন অমসুং ৱিমেন'স ওপন হায়না কেটাগোরি অনী থোক্লা খাইদোক্কনি। কেটাগোরি খুদিংমক অসিগী অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিশন তাবশিংদা মথংশিৎনা লুপা লিশিং ৩০, লিশিং ২০ অমসুং লিশীং ১৫ কেশ প্রাইজ এৱার্দ, সার্টিফিকেট অমসুং মোমেন্টোশিং পীগনি।

## চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ষ্টেট ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মার্চ২৮ঃ

লসাল লৈমপোকপম খুনফম্না শিন্দুনা লৈমপোকপমদা লৈবা লসাল গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২১ শুবা লসাল স্পোর্টস মীট ২০১৬ এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিএল ওপন সভেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লসাল লৈমপোকপম, কে ৱাই সি কৈনৌ, এফ সি লমলাই অমসুং আই জি ইন্টরপ্রাইজেস নম্বোল মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ২৬ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ূক্তা শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা মেচতা লসাল টিম এ লৈমপোকপমনা সি এন এফ টি খুনফম গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা লসাল টিম এ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা লসাল টিম এ লৈমপোকপমগী গোল অনী অদু গোলমৈ অমসুং নবচন্দ্রনা মথংশিংনা মেচকী ৩০ অমসুং ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা সি এন এফ টি খুনফমগী অমত্ত ঙাইরবা গোল অদু কে ঐচ অমুথোইনা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি অয়ূক্তা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা কে ৱাই সি কৈনৌনা বোস য়ুনাইটেদ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। কে ৱাই সি কৈনৌগী অহানবা গোল এস বোবিচান্দনা মেচকী ২ শুবা মিনিটতা, টিমদুগী অনীশুবা গোল টি ঐচ জয়চন্দ্রনা মেচকী ১৮ শুবা মিনিটতা, টিমদুগী অহুমশুবা গোল এন জি নিমাইনা মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। বোস য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু পেত্রিক্লা মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা মেচতা এফ সি লমলাইনা ইবুধৌ এফ সি লৈমপোকপম টাই ব্রেক্তা গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা এফ সি লমলাই ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। নুংথিলদা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা আই জে ইন্টরপ্রাইজেস নম্বোলনা লসা লৌরেম্বম গোল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## ফ্রেন্দসিপ মেচ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৮ঃ

ফ্রি ফ্রোম দ্রগ এন্দ প্রমোট ইন্টগ্রেশন থ্রু গেমস স্পোর্টস হায়বা থিমদা মেদিয়া য়ুনিফাইদ এফ সি অমদি য়ুনিফাইদ থোংজু এফ সি (এস দব্লিয়ু এফ সি, ৱাই দি এ) অনীগী ফ্রেন্দসিপ ফুটবোল মেচ অমা থা অসিগী ২৭ তা এস দব্লিয়ু এফ সি ফৈজালৈতোং গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

ফ্রেন্দলি মেচ অদুদা অখন্নবা কেশ এৱার্দ ওইনা মেদিয়া য়ুনিফাইদ টিমদা লুপা লিশিং ৫, ওবষ্ট্রেটিক্স এন্দ গাইনোকোলোজিষ্ট, রিমসকী হান্নগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডা. সি ঐচ মঙলেম্না খূৎশিন্নখি অদুগা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ফ্লাইট লেফটিনেন্ট নিরমলা থিঙুজম্না ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমদা কেশ এৱার্দশিং খুদোল তমখি।

এস দব্লিয়ু এফ সি ফৈজালৈতোংগী প্রসিদেন্ট থিঙুজম গোকুলচান্দনা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা য়ুনেস্কো ক্লব মণিপুরনা ঙসি ফাওবদা শক্নাইরবা ডোক্তর, এদ্যুকেশনিষ্ট অমদি ইন্টরনেসনেল প্লেয়র কয়া পুথোকপদা মাঙজিল থারি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

ফ্রেন্দলি মেচ অদু স্পোন্সর তৌখিবগী মতাংদা ডা. সি ঐচ মঙলেম্না নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, কোর্পোরেট লিদরশিংনা খুঙ্গং খুঙ্গংশিংদা চৎতুনা অফবা শান্নরোয়শিং প্রমোট তৌবিবা অমদি এদোপ্ট তৌবিবা চঙই।

থৌরমদুগী কনভেনর ওইখিবা ডা. থোকচোম চন্দ্রমনিনা হায়খি, অসিগুম্বা মেচ অসিনা অহানবা ওইরগা মথংগী চহীদগী রনিং ট্রোফিগা লোয়ননা অচৌবা কেশ এৱার্দ থল্লগনি হায়খি। ফেন্দলি মেচ অদুদা য়ুনেস্কো ক্লব মণিপুরনা স্পোন্সর তৌখিবনি।

## আর ৱাই সি মোইদাংপোক্পা ইন্টর ভিলেজ ওপন বোল্লিবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ ঃ

দ রিসেন্ট য়ুঠ ক্লব (আর ৱাই সি) মোইদাংপোক্পা শিন্দুনা হৌখিবা তাং ২২ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙরাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা য়ূম্বু ওইরিবা আর ৱাই সি মোইদাংপোক্পা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা আর ৱাই সি মোইদাংপোক্পা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজম সেট ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-১৮, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজম্না রন্নর্স-অপ তাখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা আর ৱাই সি মোইদাংপোক্পা এম ৱাই দি সি মাক্লং সেট ৩-১ (১৮-২৫, ২৬-২৪, ১৯-২৩, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজম্না সেমী ফাইনেলদা ৱাই দি সি সেট ৩-০ (২৫-২২, ২৫-১৬, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইরগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা আর ৱাই সি মোইদাংপোক্পাগী কে ঐচ য়াইফবনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। ঐচ ৱাই দি সি সি এল হৈক্রুজমগী এন হেরিসন্না বেষ্ট সেট্টর তাখি।

## দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ ঃ নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ডা. বি আর অম্বেদকরগী ১২৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মার্চ ২০ দগী ২২ ফাওবা লমশাং ফুটবোল ক্লব গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অদু লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা পদ্মশ্রী জি অনিতা দেবী, জোইন্ট দিরেক্টর এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং শ্রী সলাম অমুতোম্বী সিংহ চ্যেরমেন টেক্নিকেল কম্মিটি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।


দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস টুর্নামেন্ট অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা দিগ্নিত্রিশিংনা মনা মথুম য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## জহির খাননা দেল্লি দিয়র দেভিলসকী কেপ্তেন ওইরে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৮ ঃ

লাক্লিবা কুমজা ২০১৬ ভিভো আই পি এল লীগতা শরুক য়াগদৌরিবা দেল্লি দিয়র দেভিলসকী কেপ্তেন ওইনা জহির খানবু হাপ্লে হায়না ফ্রেঞ্চাইজ অসিনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফরবা লেফ্ট আর্ম পেস বোলর জহির খাননা দেল্লি দিয়র দেভিলসকীদমক থংনা থংননা অনীরকশুবা ওইনা শান্নগদবনি। মহাক্না টিম কেপ্তেন ওইবদা টিমগী মেন্টর রাহুল দ্রাভিদনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।



HL-B/2976/2,4/2-23/3



HL-P/7924/18,19,21,22,23,29,31,2,4,6,8,12,14,16



HL-B/2987/1-30March